# ক্রুদ ওইল মেট্রিক টন ৮০৮৮৬কা লোয়নননা ‘জগ লারকি’ অদানিগী মুন্দ্রা পোর্টতা থুংলখ্রে



মুন্দ্রা, মার্চ ১৮ (এজেন্সি):
ইন্দিয়া-ফ্লেগ ক্রুদ ওইল টেঙ্কর ‘জগ লারকি’ গুজরাততা অদানি পোর্টস মুন্দ্রাদা মায় পাক্লা থুংলখ্রে। মদুনা ইন্দিয়ানা মপান লৈবাক্তগী পুশিল্লকপদা শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎহনখ্রে।

জহাজ অদুনা ক্রুদ ওইল মেট্রিক টন (এম টি) ৮০৮৮৬ লোম পুদুনা হিথাংফম অদুদা থুংলখি। জহাজ অদুনা মুন্দ্রদা য়াল্লবা ক্রুদ ওইল পুদুনা থুংলখিবা অদুনা য়াল্লবা চাংদা ক্রুদ ইম্পোর্টশিং তৌবদা অদানি পোর্টস ফেসিলিটিদা লৌরিবা থৌদাং অদু উৎলি।

অসিগুম্বা পোৎশিং পুরকপা অসি ইন্দিয়াগী ইনর্জি সেক্যুরিটি ওপরেসন লেপহন্দনবা অমসুং হেনগৎহন্নবা অসিগুম্বা অসিদা তাংজরিবা অচৌবা রিফাইনরিশিংগীদমক মরুওই।

ৱেষ্ট এসিয়াদা ৱাংনা উংখৎনরিঙৈ মসিগী মেরিটাইমগী থৌদোকশিং অসি থোল্লকখিবনি।

মসিগী মমাঙদা ইন্দিয়া-ফ্লেগ এল পি জি কেরিয়র অনি মার্চ ১৬ অমসুং ১৭তা ইন্দিয়াদা থুংলদ্রিঙৈগী মমাঙদা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ অশোয় অঙাম থোক্তনা লাম্থোকখ্রে।

এল পি জি মেট্রিক টন ৯২৭১২ রোম পুবা এম টি শিবাজি অমসুং এম টি নন্দা দেবী ইরাইগী অঙনবদা (মার্চ ১৩, ২০২৬)তা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ লাম্থোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী লল্লোন ইতিক্কী ওইবা হিরমশিং ঙাক্লবা ‘ওপরেসন সঙ্কল্প’ মখাদা হায়রিবা ঈশিং লম অসিদা লৈবাক অসিনা লেপ্তনা মখাতানা নেভি থল্লি। মরুওইবা ঈশিং লম্বীশিং অসি ঙাক্লবা অমসুং ‘জগ লারকি’গুম্বা জহাজশিং অশোয় অঙাম থোক্তনা লাম্থোক্লবা থৌরাং অসি মখা তানা থমগনি।

জহাজ মপুশিং, রিক্রুটমেন্ট এন্দ প্লেসমেন্ট সার্ভিস লাইসেন্স (আইর পি এস এল) এজেন্সিশিং অমসুং লমদম অদুদা লৈরিবা ইন্দিয়ান দিপ্লোমেটিক মিসনশিংগা খূৎশন্নরগা দাইরেক্টোরেলট জেনরেল ওফ সিপ্পিং (দি জি সিপ্পিং)না ফিভম অদু কুপ্পা য়েংশিল্লি হায়না চেরোল অমনা হায়খি।

য়ুনিয়ন সিপ্পিং মিনিষ্ট্রিনা ফিভম অদু ফজনা মোনিটরিং তৌরি। মেরিটাইম ওপরেসনশিং নান্না চথনবা গভর্ণমেন্টনা মেরিটাইম ট্রেদতা অপনবা থোকপা হস্তহন্নবা পোর্টশিং, সিপ্পিং লেনশিং অমসুং লোজিষ্টিক্স ষ্টেকহোল্ডরশিংগা নকশিন্ননা থবক তৌরি।

এঙ্কেরেজ, বার্থ হয়ার অমসুং ষ্টোরেজ চার্জশিংদা কন্সেসনশিং য়াওনা মথৌতাবা অৱাবা কোকহন্নবা খোঙথাংশিং পায়খৎনবা হিথাংফমশিংদা পাউতাক পীখ্রে হায়না চেরোল অদুনা হায়খি।

# ন্যু দিল্লিগী পলামদা লৈবা বিল্ডিং মৈ চাকপদা মীওই ৯ শিখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সি):
ন্যু দিল্লিগী পলামদা লৈবা বিল্ডিং অমদা শাথিনা মৈ চাকখিবগী থৌদোক অমদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মীওই ৯ শিখ্রে। পলামগী রাম মার্কেটতা লৈবা মথেল ৯গী বিল্ডিং অমদা অয়ুক্তা চাওনা মৈ চাকখি। মদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৯ শিখ্রে অমসুং অতৈ কয়ামরুম শোকখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা অয়ুক পুং ৭:০৪ অদুৱাইদা পুলিস ষ্টেসন পলাম ভিলেজদা পাউ ফংখি। মদুগী মতুং ষ্টেসন হাউস ওফিসার (এস এইচ ও) অমসুং পুলিস ষ্টাফনা মফম অদুদা চংশিনখি। রাম চৌক মার্কেট দল্লিয়ু জেট ১২৪এদা লৈবা মথোল ৯গী বিল্ডিং অমদা মৈ চাক্লকখিবনি। ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না বিল্ডিং অদুগী বেজমেন্ট, গ্রাউন্দ ফ্লোর অমসুং ফার্ষ্ট ফ্লোর অদু মার্কেটকী প্রধানসু ওইবা রাজেন্দর কাস্যপকী ফি অমসুং কোস্মেটিক সোরুমনি। অদুগা মাগী ইমুংনা মথক্কী ফ্লোরশিংদা লৈ। রেস্কু টিমশিংনা বিল্ডিং অদুগী মীওই খরা লৌথোকপা ঙমহৌখি অমসুং মখোয়বু অনকপদা লৈবা হোস্পিটালশিংদা পুখ্রে। অদুমওইনমক তোঙান তোঙানবা মেদিকেল ফেসিলিটিজশিংদগী শিবগী পাউশিং লাকখি।

মনিপাল হোস্পিটালদা প্রবেস ৩৩, কমল ৩৯, অসু ৩৫, লারো ৭০, হিমানসি ২২ অমসুং চহী ১৫, ৬ অমসুং ৩ শুরবা নুপীমচা ৩ -পূন্না মীওই ৮ শিরে লাউথোকখ্রে। আই জি আই হোস্পিটালদা দিপিকা (২৮) কৌবী নুপী অমা পুরকপদা শিরে হায়না লাউথোকখ্রে। মশাগী চহী ৩৩ শুরবা অনিল কৌবা নুপা অমা অমসুং মশাগী চহী ১খক্তা ঙাইরিবী নুপী মচা অমা লায়কন্নরি। সফদরজং হোস্পিটালদা মশাগী চহী ২৯ শুরবা সচিন কৌবা নুপা অমা হকচাংগী চাদা ২৫ রোম মৈনা চাকপগা লোয়নননা লায়েংখি।

থৌদোক অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং লৈখিদ্রবশিংগী ইমুংগী খ্বাইদগী নক্লবা অমদা লুপা লাক্ষ ২ অমসুং অশোকপশিংদা লুপা ৫০,০০০গী তেংবাং লাউথোকখ্রে।

# গঙ্গা তুরেলদা হি তোংদুনা চিকন বিরয়ানি চারম্বা ১৪ ফাখ্রে



বরানসি, মার্চ ১৮ (এজেন্সি):
গঙ্গা তুরেলদা হি অমগী মথক্তা পাঙথোকপা ইফতার পার্টি অমদা মফম অসিদা মীওই ১৪না চিকন বিরয়ানি চাবা উৎপা ভিদিও অমা সোসিয়েল মেদিয়াদা পাকশন্না শন্দোরকখিবদগী লাইনিংফম অমা মাংথোকপা অমসুং লাইনিংগী ওইবা ৱাখল শোকহনবগী মরালশিংদা মখোয় ফাখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি যুব মোর্চাগী সিটি য়ুনিট চীফ রজাত জয়স্বালনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থাঙ্গৎলকখিবা অইবা ৱাকৎতা থবক লৌখৎলকখিবনি। কোটৱালি পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে।

গঙ্গাদা হি অমদা ইফতার পার্টি অমা শিনখি। মদুদা চিকন বিরয়ানি চাখি হায়না জয়স্বালনা হায়খি। সনাতন ধর্ম চৎপশিংগীদমক গঙ্গাবু য়াম্না লুনা নিংজৈ। লৈবাক অসিদগী অমসুং মালেমগী মফম কয়াদগী লাইনিংবা লিশিং কয়ানা লাইশোনশিং পাঙথোক্লবা অমসুং গঙ্গাগী ঈশিং শিজিন্নদুনা খুরুম্লবা নুমিৎ খুদিংগী কাশিদা লাকই।

অসিগুম্বা ফিভম অমদা তুরেল অসিগী ময়াইদা হি অমদা বিরয়ানি চাবা অমসুং মদুগী অরেমখাকশিং অদু ঈশিং অদুদা লংথোকপা অদু চপ চানা চুমদে। মসিগী থৌওং অসি হিন্দুশিংগী লাইনিংগী ৱাখল শোকহন্নবগী অতন্নবা অনিংবা অমগা লোয়নননা তৌবা মাল্লি হায়না মহাক্না হায়খি।

গঙ্গা মথক্তা হি অমদা মীওই কাংবু অমনা ইফতার পার্টি অমা পাঙথোকপা অমসুং ময়াম পূনবা অদুদা বিরয়ানি চাবা উৎপা ভিদিও অমা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাকশন্না শন্দোরকখি হায়না এদিসনেল কমিস্নার ওফ পুলিস (এ সি পি) বিজয় প্রতাপ সিংহনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হায়খি।

# ই ভি চার্জিং ষ্টেসনদা সোর্ট সার্কিটনা মরম ওইদুনা পোকখায়রকখিবদা ইন্দোরদা মীওই ৭ শিখ্রে

ইন্দোর, মার্চ ১৮ (এজেন্সি):
মধ্য প্রদেশকী ইন্দোরদা বেঙ্গলি স্কৱার মনাক্তা লৈবা রেসিদেন্সিয়েল বিল্ডিং অমা ঙসি অয়ুক অঙনবদা পাকশন্না মৈনা চাক্তুনা য়োমশিনখিবদগী মীওই ৭ হিংনা মৈ চাকপদগী শিখ্রে।

পুগালিয়া ফেমিলিগী য়ুম অমগী মপান্দা ইলেক্ট্রিক ভেহিকল (ই ভি) চার্জিং পোইন্ট অমদা থোল্লক্লা য়াবা সোর্ট সার্কিট অমনা মৈ চাকহল্লকখিবদগী থৌদোক অদু তিলক নগর পুলিস ষ্টেসন এরিয়াদা অয়ুক পুং ৪ রোম তাবদা থোকখিবনি। মিনিট খরগী মনুংদা মৈরিশিং অদু গাড়ী অদুদগী মথোল ৩গী রেসিদেন্সিএল বিল্ডিং অদুদা থুনা শন্দোরকখি অমসুং মনুংদা লৈরিবা মীওইশিং অদুগীদমক মদু হাৎনবগী লাং অমা ওনখ্রে।

অহানবা ইনভেষ্টিগেটরশিং অমসুং উহৌবশিংগী ৱারোলগী মতুং ইন্না, ইলেক্ট্রিক কার অদু নুমিদাং চার্জ তৌরগা থল্লমখিবনি। খুদক্তা সোর্ট সার্কিট অমা থোকপদগী চার্জিং পোইন্ট অদুদা পোকখায়খি। মদুনা গাড়ী অদু মৈ চাকহনখি। মৈ অদুনা য়ুম অদুগী মনুংদা থল্লিবা এল পি জি সিলিন্দর ১২ রোম হেনবা অদু য়ৌনবা থুনা শন্দোরকখি। মদুদগীদি অকনবা মওংদা মথং মথং পোকখায়রকখি। য়ামদ্রবদা এল পি জি সিলিন্দর ৪ য়াম্না থুনা মথং মথং পোকখায়দুনা মফম অদুগী অকোয়বা অদু পাখৎনহনখি।

পোকখায়বশিং অদুগী শাফুনা বিল্ডিং অদুগী শরুকশিং নিংখায়হনখি অমসুং মনুংদা লৈরিবশিং অদু নাম্থোক্লবগী তাঞ্জা ফংখিদে। খুদোঙথিবা থৌদোক অদু ইমুং অদুনা ইমুংগী মীওই কয়াগা লোয়নননা মরীমতাশিং নুমিদাং লৈহনবা মতাং অমদা থোকখিবনি। মীওই ৭ শিরে হায়বা চপ চানা খঙখ্রে। অতোপ্পা ৩ অরুবা ফিভমদা শোকখ্রে অমসুং রেস্কু তৌরবা তুংদা হোস্পিটালদা থাখ্রে।

ফিভম অদু য়েংবদা মৈ অদু ই ভি চার্জিং পোইন্ট অদুদা পোকখায়রকপা অমদগী থোকখিবনি হায়না ইন্দোর পুলিস কমিস্নার সন্তোস কুমার সিংহনা হায়খি।

গাড়ী অদুদগী মৈ অদু য়াম্না থুনা গ্যাস সিলিন্দর ১০ হেন্না থল্লিবা কা অদুদা শন্দোরকখি। সিলিন্দরশিং অদুগী মনুংদগী খরা পোকখায়রকখিবদগী ফিভম অদু অমুক্কা হেন্না শাথিহনখি। মীওই ৭ শিখ্রে, ৩ রেস্কু তৌখ্রে। লায়েংনবা হোস্পিটালদা থাখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

য়ুম মপু অদুগী লল্লোন ইতিক্কী মরীলৈনবা পোলিমর য়াওনা মৈচাক্লনবা মচাকশিং ইমুং অদুদা থম্মি। মদুনা মরম ওইদুনা মৈ চাকপা অদু হেন্না শাথিবা ওইহল্লকখিবা য়াই হায়নসু ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুম অদুদা পাল্লিবা ইলেক্ট্রোনিক দোর লোকশিং অদুনা রেস্ক্যুগী থবকশিংদা হেন্না খুরৌ থাংখি। পোকখায়বা অদুদা পৱার সপ্লাই ফংখিদবদগী ইলেক্ট্রিক লোকশিং অদু থবক তৌবা য়াখিদ্রে। মদুনা মরম ওইদুনা মনুংদা লৈবা মীওইশিং অদু থোকপা ঙমহনখিদে। ইমর্জেন্সি রেস্পোন্দরশিংনা চংনবা থোঙশিং অদু হাংদোক্লবা হোৎনবদা তাঙলবা মতম মাঙখি। পাউ ফংবগা থুনমক মফম অদুদা ফয়ার টেন্দর থুংলখি অমসুং মৈ চাকপা লাকশিনবা ঙমদ্রিঙৈগী মমাঙদা পুং কয়ামরুম মুত্থৎনবা হোৎনখি। মতম অদুদদি বিল্ডিং অদু মৈনা পুময়োম য়োমশিনখ্রে। ফিভম অদু হৌজিক লাকশিল্লে। রেস্কু রিলিফ অমসুং ওপরেসনশিং চত্থরি হায়না ইন্দোর কলেক্টর শিবম বর্মানা হায়খি।

# কাটার এয়ারৱেজ ফ্লাইট ৫দা ইন্দিয়ান ১,৬০০ হল্লকখ্রে




ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সি):
কাটারগী এয়ারস্পেসতা রেষ্ট্রিকসনশিং থম্বা মরমদগী কাটার এয়ারৱেজনা অকক্লবা সার্ভিস খরা মখা তানা ওপরেট তৌবগা লোয়নননা মখোয়গী ফ্লাইট ৫দা ইন্দিয়ান নেসনেল ১,৬০০ রোম লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইন্দিয়াদা পুরকখ্রে হায়না মফম অসিদা ইন্দিয়ান এম্বেসিনা ফোঙদোকখ্রে।

ফ্লাইটশিং অদু দিল্লিদা ২, মুম্বাই, কোচি অমসুং থিরুভনন্থপুরমদা অমমমনি হায়না এম্বেসি অদুনা হায়খি। পূন্না ইন্দিয়ান নেসনেল ১,৬০০ রোম ঙসি কাটার এয়ারৱেজ ফ্লাইটশিংদা চৎখ্রে।

কাটারগী এয়ারস্পেস অয়াম্বা থিংজিন্দুনা লৈরি অমসুং কাটার এয়ারৱেজনা শুপ্নগী অকক্লবা, নন-সেদ্যুল ফ্লাইটশিং খক্তদা হৌজিক ওপরেট তৌই হায়না মিসন অদুনা হায়খি।

য়ুমশকৈশদগী হৌনা ইন্দিয়াদা থুংফম ৯দা সার্ভিসশিং লৈগনি অমসুং কাটার এয়ারৱেজ ৱেবসাইট, মোবাইল এপ্লিকেসন নৎত্রগা ওথোরাইজ ট্রেভেল এজেন্সিশিংগী খূৎথাংদা পেসেঞ্জরশিংনা বুকিং তৌবা য়াই হায়না এয়ারলাইন অদুনা লাউথোকখ্রে।

সালৱা লেন্দ বোর্দর ফাওদুনা সাউদি অরাবিয়া ফাওদুনা ইন্দিয়াদা চৎপা পাম্বা ককঙাওনরবা ইন্দিয়ান নেসনেলশিংগীদমক এম্বেসি অদুনা মখা তানা টেম্পোরেরি সাউদি ট্রান্সিট ভিজাজ ফংগনি হায়খি।

মিসন অদু পাস্পর্টে পীবা য়াওনা কোন্সুলার সার্ভিসশিং পীনবা লাক্কদৌরিবা চয়োলশিংদা নুমিৎ পূন্নমক থোং হাংদোক্তুনা, লৈগনি অদুগা মসিগী কন্ট্রোল রুম হেল্পলাইনশিং ফোন, ইমেল অমসুং ৱাসএপ্পকী খূৎথাংদা ২৪x৭ বেসিসতা মখা তানা থবক তৌগনি।

কাটারি ওথোরিটিজনা থোকপা পাউতাকশিং ইন্নবা ইন্দিয়ান কম্যুনিটিদা এম্বেসি অদুনা আপিল তৌরি। কাটার এয়ারৱেজনা দোহাদগী অকক্লবা ফ্লাইট সেদুলশিং ওপরেট তৌই।

কাটার এয়ারস্পেস থিংজিনবা অদুনা মরম ওইদুনা কাটার এয়ারৱেজনা ফ্লাইট ওপরেসনশিং হৌজিকসু মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌবনা ঐখোয়না নখোয়গী খোঙচৎ শৌগৎনবা ঐখোয়গী অঙন্বা থাক্তা থবক তৌই হায়বসি ঐখোয়না নখোয়দা খঙহনবা পাম্মি হায়না কাটার এয়ারৱেজনা হায়খি।

এম্বেসি অমসুং ইন্দিয়ান কম্যুনিটি ওর্গনাইজেসনশিংনসু কাটারদা লৈরিবা ইন্দিয়ান ঙামী কম্যুনিটিগী মীওইশিংদা মতৌতারবশিং অদুদা দ্রাই রেসন্স পীদুনা শৌগৎনবা কোলাবোরেটসু তৌরি। ইরানদা য়ু এস অমসুং ইজরেলনা লান্দাখিবা অদুদগী ফেব্রুৱারি ২৮দগী ৱেষ্ট এসিয়াদা মখা তানা ৱাংনা উংখৎনদুনা লৈরি।

# দোমেষ্টিক এল পি জি পুথোকপা চাদা ৪০ হেনগৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সি):
ৱেষ্ট এসিয়া অমসুং মরুওইরবা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজদা থোল্লিবা উংখৎনবশিং অদুগী মরমদগী সপ্লাইদা অপনবশিং থোকপগী মতাংদা নুংনাংবা পোক্লরবসু ইন্দিয়াগী দোমেষ্টিক লিক্যুফাইদ পেট্রোলিয়ম গ্যাস (এল পি জি) পুথোকপা চাদা ৪০ হেনগৎখ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

অপূনবা পাউদম অমদা ৱা ঙাংবদা সুজাতা শর্ম, মিনিষ্ট্রি ওফ পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাসতা জেইন্ট সেক্রেটরি ওইরিবা অদুনা লৈবাক অসিগী ক্রুদ ওইল, পেট্রোল, দিজল অমসুং এভিয়েসন টর্বাইন ফুয়েল (এ টি এফ)কী মতিকচাবা ষ্টোকশিং লৈরি হায়খি।

অদুমওইনমক এল পি জি সপ্লাইগী অচৌবা শরুক অমা হৌজিক থোল্লিবা জিওপোলিটিকেলগী মুক্লবশিংনা শোক্লিবা মরুওইবা গ্লোবেল ওইল ট্রান্সিট রুট অমা ওইরিবা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ ফাওদুনা পুশিল্লকপা মরম্না মখা তানা নুংনাংবগী মচাক অমা ওইরি হায়না মহাক্না হায়খি।

এল পি জি সপ্লাইজদা পীরিবা পোৎলুম অদু কোকহন্নবা সেন্টরনা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা পাইপ নেচরেল গ্যাস (পি এন জি)দা ওন্থোকপা থুজিলহন্নবা তকশিনখ্রে। দোমেষ্টিক, কম্মর্সিয়েল, অমসুং ইন্দষ্ট্রিয়েল ওইনা শিজিন্নরিবশিংদা পি এন জিদা হোংদোকপা অদু খুদোঙচাহন্নবা কনিদসনদা ষ্টেটশিংদা কম্মর্সিয়েল এল পি জিগী চাদা ১০গী অহেনবা এলোকেসন পীখ্রে।

অমরোমদা মিনিষ্ট্রি ওফ পোর্টস, সিপ্পিং এন্দ ৱাটরৱেজ (এম ও পি এস দল্লিয়ু)না গ্লোবেলগী তম্বা ঙমদবশিং লৈদুনসু কার্গো চখোক চৎশিনদা অপনবা লৈহন্দনবা লৈবাক অসিগী হিথাংফম অমত্তদা কঞ্জেসনগী পাউ লৈতে হায়খি।

স্পিসিয়েল সেক্রেটরি রাজেশ কুমার সিংহনা হিথাংফমশিং মতিকচানা থবক তৌরি হায়খি। গল্ফ রিজন অমসুং অকোয়বদা থবক তৌরিবা ইন্দিয়ান-ফ্লেগ জহাজ ২২না এল পি জি টোন লাক্ষ ৩.২, এল এন জি টোন লাক্ষ ২ অমসুং ক্রুদ ওইল টোন মিল্লিয়ন ১.৬৭ পুরক্লি হায়নসু গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে। হায়রিবা জহাজশিং অসিগী মথক্তা পূন্না ইন্দিয়ান ক্রু মেম্বর ৬১ খুদোঙচাদবা থবক অমত্তা থোক্তনা শাফনা লৈরি।

ইন্দিয়ানা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজদা জহাজশিং অশোয় অঙাম থোক্তনা লাম্থোকপা য়ানবা ইরান য়াওনা লমদম অদুদা লৈরিবা ফম্মান্নবশিংগা পাউ ফাওনরি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

# লুপা ক্রোর ৬৯৬৯গী প্রোজেক্ট উত্তর প্রদেশতা অয়াবা পীখ্রে




ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সি):
উত্তর প্রদেশতা বরাবাঙ্কিদগী বহরাইচ ফাওবা লেন ৪গী এক্সেস-কন্ট্রোল নেসনেল হায়ৱে -৯২৭ শেন্নবা প্রাইম মিনিষ্টরনা চিয়ার ওইবা কেবিনেট কম্মিটি ওন ইকোনোমিক এফিয়ারস (সি সি ই এ)না লুপা ক্রোর ৬৯৬৯.০৪ অয়াবা পীখ্রে।

হায়ব্রীদ এন্যুটি মোদ (ঐচ এ এম) মখাদা শেমগদবা কিমি ১০১.৫কী প্রোজেক্ট অদু লক্ষ্ণৌ-রুপাইদিহ কোরিদরগী শরুক্নি। হেন্না ফগৎহল্লবা কোরিদর অদুনা এন ঐচ -২৭, এন ঐচ-৩৩০বি অমসুং এন ঐচ-৩৭০গুম্বা নেসনেল হায়ৱেশিং অমসুং এস ঐচ-১৩ অমসুং এস ঐচ -৩০বিগুম্বা ষ্টেট হায়ৱেশিং য়াওনা শমজিন্নহন্দুনা মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং ইকোনোমিক হবশিংদা লম্বী ফাওনবা ফগৎহনগনি।

হায়ৱে অসিনা স্পিসিয়েল ইকোনোমিক জোনশিং, মেগা ফুদপার্কশিং অমসুং এস্পাইরেসনেল দিষ্ট্রিক্টকুম্বা মরুওইবা সোসিয়েল নোদশিং শন্নহন্দুনা বরাবাঙ্কি, রামনগর, জোরৱাল, কায়সরগঞ্জ অমসুং বহরাইচ য়াওনা মরুওইবা টাউন কয়ামরুম শন্নহনগনি।

# অসাম এসেমব্লি সিট ১২৬কী মনুংদা বি জে পিনা ৮৯ কন্টেষ্ট তৌগনি

গুৱাহাতি, মার্চ ১৮ (এজেন্সি): লাক্লিবা অসাম এসেমব্লি মীখলদা অপূনবা সিট ১২৬কী মনুংদা বি জে পিনা সিট ৮৯ কন্টেষ্ট তৌগনি অমসুং মখোয়গী এলাইশিংগীদমক সিট ৩৭ খাক্লমগনি। বি জে পিনা ২০১৬দগী হৌনা ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্কী শক্তি পায়রক্লি।

পার্টি অসিনা লাক্কদৌরিবা মীখলদা সিট ৮৯ কন্টেষ্ট তৌরগা লেমহৌরিবা সিটশিং অদুগী মনুংদগী ২৬ মখোয়গী এলাই অসোম গনা পরিশদ (এ জি পি) অমসুং ১১ অমনা বোরোলেন্দ পিপলস ফ্রন্ট (বি পি এফ)কীদমক খাক্লে হায়না অসাম চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্ব শর্মনা পাউমীশিংদা হায়খ্রে।

অসামদা এসেমব্লি সিট ১২৬ অদু লোয়নমক এপ্রিল ৯দা ভোট থাদনগনি অমসুং মে ৪দা ভোট মশীং থীগনি।

# অসাম কোংগ্রেস এম পি প্রদ্যুট বোর্দোলোয় বি জে পিদা চোংশিনখ্রে

গুৱাহাতি, মার্চ ১৮ (এজেন্সি): কোংগ্রেসতগী তোকখিবা হেক নোংঙানবদা অসাম লোক সভা এম পি প্রদ্যুট বোরদোলোয়না ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি মীখলগী চয়োল খরগী মাঙওইননা পার্টিগী য়েংথিনবা বি জে পিদা ঙসি চোংশিনখ্রে।

মহাক অনিরক এম পি ওইরবা অমসুং কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টতা অনিরক কেন্দিদেট মিনিষ্টর ওইরল্লবা অমনি। মহাক্না বি জে পিদা য়াওরকপা অদু পার্টিগী নেসনেল প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীখ্রে হায়না হিমন্ত শর্মনা হায়খি। অনৌবা মেম্বর অদুনা মীখল থেংনগদ্রা হংবদা ষ্টেট ইলেক্সন অদু মহাক্না শোয়দনমক থেংননবা অসাম ষ্টেট য়ুনিটনা সেন্ট্রেল লীদরসিপতা রিকোমেন্দ তৌগনি হায়না শর্মনা হায়খি। হৌজিক কোংগ্রেসতা লৈরিবা অফবা লুচিংবা পূন্নমক ঐখোয়না বি জে পিদা পুশিনবা পাম্মি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ইন্দষ্ট্রিয়েল পার্ক ১০০ শেমগৎনবা কেবিনেটনা ভাবিয়া স্কিম য়াখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সি):
লৈবাক অসিদা প্লগ এন্দ প্লে ইন্দষ্ট্রিয়েল পার্ক ১০০ শেমগৎনবা লুপা ক্রোর ৩৩৬৬০গী শেনফম অমগা লোয়নননা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ভারত ঔদিওগিক বিকাশ যোজনা (ভাবিয়া) অয়াবা পীখ্রে।

স্কিম অসি মেনুফেকচরিংগী ঈনোৎ পীদুনা, ইনভেষ্টমেন্টশিং চিংশিন্দুনা অমসুং অচৌবা চাংদা থবক পীদুনা বিক্সিত ভারত অমসুং আত্মানিরভর ভারতগী পান্দম অদু ফংনবনি।

নেসনেল ইন্দষ্ট্রিয়েল কোরিদর দেভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (এন আই সি দি পি)গী মখাদা ইন্দষ্ট্রিয়েল স্মার্ট সিটিশিংগী মায় পাকপা অদুগী য়ূমফমদা শাগৎতুনা ভাবিয়ানা মোর্দন, রেদি-টু-য়ুজ ইন্দষ্ট্রিয়েল ইকোসিষ্টেম শেমগৎকনি।

থবক অসি একর ১০০দগী ১০০০ ফাওবগী পাক চাওবা পার্কশিং শেমগৎনবা ষ্টেটশিং অমসুং প্রাইভেট প্রেরশিংগা পার্টনরশিপ তৌনরগা থবক্তা ওন্থোক্কনি। রোদস, য়ুটিলিটিজ, দ্রেনেজ অমসুং আই সি টি সিষ্টেমসকুম্বা মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ফেক্টরি সেটস, টেষ্টিং লেবশিং অমসুং ৱ্যারহাউসশিং য়াওনা ভেল্যু-এদেদ ফেসিলটিজ, অমসুং ৱার্কর ৱাউশিং অমসুং সপ্পোর্ট এম্যুনিটিজশিংগুম্বা সোসিয়েল ইনফ্রাষ্ট্রকচরগীদমক একরদা লুপা ক্রোর ১ ফাওবগী শেলগী তেংবাং পীগনি।

প্রোজেক্টকী অচঙমন অদুগী চাদা ২৫ ফাওবগী অহেনবা শৌগৎপা অমসু এক্সটর্নেল কন্নেক্টিভিটি ইনফ্রাষ্ট্রকচরগীদমক পীগনি। স্কিম অসিগী মরুওইবা মরম অমদি ইন্দষ্ট্রিজশিংবু প্লানিংদগী প্রদক্সনদা থুনা পুরকপা ঙমহন্নবা এপ্রুভেলশিং শমজিনগনি অমসুং সিঙ্গল-ৱিন্দো ক্লিয়ারেন্সশিং লৈহনগনি।

হান্না এপ্রুব তৌরবা লম, রেদি ইনফ্রাষ্টকচর অমসুং ইন্টগ্রেটেদ সার্ভিসশিংগা লোয়নননা ভাবিয়ানা ইনভেষ্টরশিংগীদমক চঙলকপগী খুরৌশিং অদু শাথিনা হস্থহন্নবা অমসুং ব্যুজিনেস তৌবদা হেন্না কোমহন্নবা পান্দম থল্লি। হায়-ক্বালিটি, ইনভেষ্টমেন্ট-রেদ্দি প্রোপোজেলশিং এপ্রুভ তৌনবা প্রোজেক্টশিং অদু চেলেজ বেজ মেকানিজম অমগী খূৎথাংদা পাঙথোক্কনি।

স্কিম অসিনা মেনুফেকচরিং, লোজিষ্টিক্স অমসুং সার্ভিসেস সেক্টরদা হকথেংননা অমসুং নাকোয়ননা য়াল্লবা থবক পীগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা হায়খি।

ক্লষ্টর-বেজ দিভলপমেন্ট য়োকখৎতুনা ভাবিয়ানা দোমেষ্টিক সপ্লাই চেনস কনখৎহন্নবা অমসুং রিজনেল ইন্দষ্ট্রিয়েলাইজেসন শৌগৎনবা ইন্দষ্ট্রিজশিং, সপ্লায়রশিং অমসুং সার্ভিস প্রোভাইদরশিং মফম অদুদা পূন্না লৈবদা পুক্লিং থৌগৎকনি। স্কিম অসিনা ৱার্কশিং, লোজিষ্টিক্স প্রোভাইদরশিং অমসুং লোকেল কম্যুনিটিশিংগীদমক খুদোঙচাবশিং পীবগা লোয়নননা এম এস এম ইশিং, ষ্টার্টঅপশিং, অচৌবা মেনুফেকচররশিং অমসুং গ্লোবেল ইনভেষ্টরশিং কান্নহনগনি।

থৌরাং অসি থবক্তা ওন্থোকপদা দিপার্টমেন্ট ফোর কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ এন্দ ইন্টরনেল ট্রেদকী মখাদা লৈবা নেসনেল ইন্দষ্ট্রিয়েল কোরিদর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এন আই সি দি সি)না মরুওইবা থৌদাং অমা লৌগনি।

হৌজিক ৱার্ল্দ-ক্লাস স্মার্ট ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্টরশিং শেমগৎপদা মীৎয়েং থমদুনা ষ্টেট ১৩দা ইন্দষ্ট্রিয়েল প্রোজেক্ট ২০ এন আই সি দি সিনা য়েংশিল্লি।

# আমেরিকান ১, য়ুক্রেনিয়ান ৬ পূন্না ফোরেনর ৭ ফাখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সি): দিল্লি কোর্ট অমনা ইথনিক খূৎলাই পায়বা গ্রুপশিংদা দ্রোন ৱারফিয়ার তম্বিনবা লৌতুনৈ হায়বা অমা থিগৎনবা এন আই এদা নুমিৎ ১১নি পীখবা মতুং আমেরিকান অমা য়াওনা ফোরেন নেসনেল ৭ এন আই এ কষ্টদিদা থমখ্রে। অতোপ্পা ৬ অদু য়ুক্রেনিয়ান নেসনেলশিংনি। মখোয় দিল্লিগী পাতিয়ালা হাউস কোর্টতা ঙসি পুথোকখ্রে। এন আই এনা নুমিৎ ১৫নিগী কষ্টদি পীয়ু হায়খিবদা কোর্ট অদুনা ১১গী অয়াবা পীরকখ্রে। মখোয় মার্চ ২৭তা অমুক হন্না কোর্টতা পুথোক্কনি।

মেথ্যু বান্দিয়াক কৌবা আমেরিকান নেসনেল অদু কোলকটাদগী ফাবনি। য়ুক্রেনিয়ান ৩না লক্ষ্ণৌদগী অদুগা অতোপ্পা ৩দা দিল্লিদগী ফাবনি।

ইনভেষ্টিগেটরশিংনা হায়খি, য়ামদ্রবদা য়ুক্রেন ১৪না টুরিষ্ট ভিজাশিংদা ইন্দিয়াদা চৎখি। মখোয়না গুৱাহাতিতা অমসুং মেজোরামদা চংলকখি অমসুং মথৌতাবা চে চাং য়াওদনা ম্যান্মারদা লানশিনখি। ইন্দিয়াগী লালহৌবা গ্রুপশিংদা দ্রোন ৱারফিয়ার তম্বীনবা গ্রুপ অদুনা হোৎনৈ হায়রি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, POROMPAT IMPHAL EAST**
*R.R. No. 200/SDC(IE)/P of 17-3-2026*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**
*Porompat, the 18th March, 2025*

নোটিশ অসিনা খংহনলি মদুদি শ্রীমতি Nazima Begum লৈফম Hafiz Hatta Minuthong অসিনা লৈখিদ্রবী Dr. Md Latif অসিবু মহাক্কী লিগেল নুপানি হাইদুনা ওফিস অসিদা মহাক্কী মিংদা লিগেল Wife certificate পিবিয়ু হায়দুনা ওফিস অসিদা দরখাষ্ট থাররে।

মরম অসিনা কনাগুম্বা মরীলৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ 5(five)গী মনুংদা ওফিস অসিদা Objection তৌবিরবা য়াগনি। করিগুম্বা মরীলৈনবশিংনা Objection লাক্ত্রবদি মখা তাবা থবক চত্থরগনি, তুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

SL/Nanda/19

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

**In the Court of The Sub-Deputy Collector Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 18 of SDC(IE)/P of 2026*
*Date 18/03/2026*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**
*Porompat,18/03/2026*

অসিনা মরম ওইদুনা মরি লৈনবশিংদা খঙহল্লি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট পোরোমপাৎ খুল নং ২৪- খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকাইগী পাট্টা নং ১২৫ (অরিবা) ৩১৪/৬৪৮ (অনৌবা) দাগ নং ৮৩/৭৮৭ গী ০.০৯ একর চাওবা ইংখোল অসি Regd. Gift Deed, Regd. being No. 516 dt. 09.3.09 of Sub Regd. Porompat and Mut. Case No.117/SDC/IE/(P) dt. 20.3.09 গী মতুং ইন্না Shre Moirangthem Tombi Singh S/O Toyaima Singh of Khurai Chingangbam Leikai হায়রিবা মীওই অসিগী মিংদা লৈখ্রবনি অদুবু হৌজিক হৌজিক Computer record অমসুং Jamabandi record শিংদা (1) Moirangthem Bihari Singh and (2) Moirangthem Kunjo Singh অনিগী মিং য়াওশিন্দুনা লৈরে, হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা পঞ্জরিবা Regd. Gift deed and Mut. Case অসিগী মতুং ইন্না Record তা য়াওফম থোকত্রে লোইননা Patta অসিদা Objection or Mortgage Vede R.R. no. 447/SDC/IE(P) dt 24. 07. 2008 হায়রিবা অসিসু Official record তা লৈতে মরমশিং অসিনা Patta দা য়াওরিবা (1) Moirangthem Bihari Singh and (2) Moirangthem Kunjo Singh হায়রিবা মীওই অনি অসি Patta দগী ককথৎচরগনি, লোইননা Objection or Mortgage হায়না ইশল্লিবা অসিসু ককথৎচরগনি, মরম অদুনা খবর অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭(তরেৎ) নিগী মনুংদা মরি লৈনবশিংনা য়েৎপীরনবা খঙহঞ্জরি নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

SL/B-Nanda/19

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat Imphal East, Manipur